ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯳꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মার্চ ১৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩৩৬শুবা মশীং

ইন্টরনেসনল দে ওফ এক্সন ফোর রিভরস

তুরেলশিংগী ফীভম করম্বা থাক্তা লৈরিবগে খন্থবগী তঙাইফদবা

চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা ‘ইন্টরনেসনল দে ওফ এক্সন ফোর রিভরস’কী থৌরম পাঙথোকখি। নুমীৎ অদুদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা ফীভম শোকচিল্লক্লবা তুরেলশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনখি। মীওইবা খুন্নাইদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরিবা তুরেলশিংগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্তুনা থৱায় পানবশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরকপদগী অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎপগী মথৌ তারক্লি। তোঙান-তোঙানবা মরম কয়ানা তুরেলশিংগী ফীভম শোকচিল্লকপনি। অদুবু খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি দাম শাজিন্দুনা ঈশিংগী ঈচেল থিংজিনবা হায়বসিনি হায়না থাজনরি। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুন্থম ওইরগা দামনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী মীফম অমা মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনবা হৌরকখি। ব্রাজিলগী ক্যুরিটিবাদা খ্বাইদগী ইহান হান্না ইন্টরনেসনল মীটিং অমা কুমজা ১৯৯৭কী মার্চতা পাঙথোকখি। ‘মেন এন্দ দ বাইওসফ্যের প্রোগ্রাম’ ‘ইন্টরনেসনল রিভরস’, ‘য়ুরোপিয়ন রিভরস নেটৱার্ক’, চিলিগী বাইওবাইও এক্সন গ্রুপ অমসুং ইন্দিয়াগী নর্মদা বচাও অন্দোলন (এন বি এ) না মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা মালেম থাক্কী মীফম অদুনা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না চহী খূদিংগী মার্চ ১৪দা ‘ইন্টরনেসনল দে ওফ এক্সন ফোর রিভরস’ থৌরম পাঙথোকপা হৌখিবনি। মীওইবগী শিংলীদা চেল্লিবা ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোরকপা মতমদা খুদোংথিবা মায়োক্নরকপগুম তুরেলগী ঈচেল লেপখিবা মতমদা মহৌশাগী খল কায়রক্তুনা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎনা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকই। তুরেলনা মীওইবগী পুন্সিদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরি হায়বা ৱাফম কাউথোক্লগা চাউখৎ থৌরাং লৌখৎপগী মিংদা দাম কয়া শাজিল্লক্লি। অদুবু দাম শাবনা শুপ্নগী মীওই খুজোক খরক্তা কান্নবা পীরবসু অকোয়বগী ঈশিং নুমীৎতা অমাঙ-অতা থোকহল্লক্তুনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা তুরেলনা মীওইবদা হিংনবগী লম্বী পীদুনা লাক্লি হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। তোঙান-তোঙানবা মরম খরদগী দাম মথং-মথং শাজিল্লক্লবদা হিংনবগী লম্বী মাঙখ্রবা মীওই কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমশিংদা হোংদোক্নখিবা য়াওরি। ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্নবা মফম কয়াদা দাম শারবসু দামনা মরম ওইরগা ময়ুম-মকৈ লৈহনবীখিদ্রবা মীওইশিংদা মৈ ফংহনবা ঙমদ্রি। তুরেলনা মীওইবদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরি। মীওইবনদি তুরেলগী মরমদা মীৎকুপ অমা ফাওবা খন্থনবগী মতম কাইথোক্লিংদবগুম তৌরি। হৌজিকপুদি তুরেলগী মরুওইবশিং তপ্না তপ্না খঙনরকপদগী মফম কয়াদা ‘ইন্টরনেসনল দে ওফ এক্সন ফোর রিভরস’কী থৌরম পাঙথোক্তুনা তুরেলগী খোঙনুং তেংথোক্নবা অমসুং শক্তম কন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎনরক্লে।

ইন্দিয়াদা তুরেল অয়াম্বা লাইরেম্বা-লাইরেম্বী ওইনা ঈরাৎনরবসু থৌশাবীদ্রবা তুরেলশিংগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি। মীওই কয়ানা ঈরাৎনরিবা গঙ্গা, যমুনা, মহানদি, গোদাবরি, নর্মদা, সিনধু (ইন্দস) অমদি কাবেরি তুরেলগী ফীভম অসুক্কী মতিক শোকচিল্লক্লে হায়বা পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। তৌবগীবুদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন দি এ) লৈঙাক্না জল শক্তি মিনিষ্ট্রি লৈহন্দুনা অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎলক্লি হায়বা য়াই। মিনিষ্ট্রি অসিনা তুরেল মোৎশিল্লকপগী থৌওং থিংবগা লোয়ননা ৱেটলেন্দ কন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থিংনবগী মতাংদা লৈরিবা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি) নসু হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলক্লি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি তুরেল অয়াম্বা নোংম-নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়না লৌবা য়াই। ষ্টেট লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎচরবসু তুরেল মপালদা লম খোপচিন্নরকপা অমসুং তুরেলদা অমোৎ-অকায় লংথোকপা মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা তুরেলশিংগী মনুংদা নম্বুল তুরেলসু অমনি। কাংচুপ চীংশাংদগী হৌরক্লগা লোক্তাক পাৎ তম্না চেন্থরিবা তুরেল অসিগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনবদা লৈঙাক্না হেন্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৪

১) “ত্রিপুরাগী মৈহৌরোলদা মৈতৈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
২) শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিনা লেংবা “শ্রীশ্রী চৈতন্যচরিতামৃত” হায়বা লাইরিক অসিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা শরুক অসি কনানা মণিপুরদা হন্দোকপগে?
৩) “শৈরেং ৱারেং শিংজু” হায়বসিগী অইবা কনানো?
৪) “সাহিত্যগী ঈচেলদা মণিপুরী মুসলিম” হায়বসি কনানা খোমজিল্লগা কনানা ফোঙবনো?
৫) “থোঙাক অশিথেন্নে, অশিবনা পোত্থাফমনে তাইবঙপানববু হন্না য়েংদনা মমা মপা মতু মৱা, মচা অসি খৈবিকপু ঙম্না উইয়ে হায়বগীবু অশিবা খৈবিকনা মফম অদুদা কপনা লাউনা তৌএ অদুবু খমনুং শিতনুপীনা খমনুং অশিহৈবু হৈরাঙ খূত্তা পীদনা চাহল্লে। হৈরাঙ চারবগা মমা মপা, মতু মচা মৱা ঙম্না কাউএ। অদুগীদমকপু থোংঙাক অশিথেন মকোই নুংওনচীং তৌনা কৌএ।” কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১, ৩, ৪, ৫)
২) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৩) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
৪) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল - (১,২,৩,৪,৫)
৫) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)
৬) দোনেশ্বর থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৭) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৮) লাইশ্রম এলেনা, টোপ খোংনাংমখোঙ - (৩,৪,৫)
৯) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
১০) প্রেম কৈশাম, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা অৱাং লৈকায় - (৩,৪)
১১) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
১২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪,৫)
১৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,৩,৪,৫)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩গী ৱিন্নর
এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় (ড্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

লিটরেরি ক্যুইজ১৩গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মার্চ ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩গী পাউখুম

১) বাংলাদেশতা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক অসি করিনো, কনানা ইবনো?
:- “নোঙ্গৌবী” কৌবা এ কে সেরামনা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিনি।
২) কলকত্তাদা চৎতুনা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ঈশৈ রেকোর্দ লৌরুবা শৈশকপদু কনানো?
:- ঙাংবম নিমাইনি।
৩) ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াগী সাহিত্য একাদেমিগী এৱার্দ ফংখিবা মণিপুরী লাইরিক অদু কনানা ইবা, করি লাইরিক্নো?
:- পাচা মৈতৈনা ইবা উপন্যাস ‘ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম’।
৪) ভগবতি চরণ বর্মাগী ফাওরবা উপন্যাষ ‘চিত্রলেখা’ হায়বসি কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?
:- এস নিসান সিংহনা হন্দোকপনি।
৫) “হয়ুম য়ানবা থৌদাংকোক/শীং চল্লকউ হায়রগা/ফৌ পুরকপা য়ানবা/নঙনা চাকপু হায়রগা/ফৌগাক চজিক নমথিবা/চাকপু শানা পীজগে।/নঙনা য়েঙ্খাং হায়রগা/লফু য়েনগং থুমনমদবী/য়েঙ্খাং শানা পীজগে।” মতেক অসি করি ঈশৈদগীনো?
:- “ফৌশু ঈশৈ” হায়বদুদগীনি।

য়োংচাক পান্থাসিদা য়োংচাক্কী মথেল

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৪৫

জিতেন নামৈরাকপম

“হৌজিকসিবু করম্বা মথেলনা মহাউরিবগে?” মীয়াম্না য়াম্না তোয়না হংনবা ৱাহংনি। হঙ্গাম পন্থাসু লোইশিল্লক্লে। হৱাই থরাক, হৱাইমুবী লিশিল্লক্লে। কোবী ফুল, কোবী থমচেৎমানবী মরাং কায়রে। আলু অঙৌবা, আলু অবের চাইবী মমল হোঙথরক্লে। ঈকং থানিনা মরোই নাপাকপী, অৱাফদিগোম (শা মরোই) তাঙনা ফংই। তাঙনা য়োল্লি। উমোরোক অতেকপা অমগী মমল লুপা ১০, লুপা ২০গী অহুম তৌ হায়রুবদা পোৎয়োনবীনা মচিন তুমথোরকই। মমায় লৈথোক্কে তৌই। ঙাঙনবদা য়াবদি য়ারকই। অদুগা হাপ্লকইবা অদুনা শুংগ্রং মাংগ্রং তৌবা শাগদবা শুকমানবু মান্দে। য়েন্দেমগী ৱারা থাবদা ৱাই। মপুম ওইনা ফক্লকপা কাবক-কাবক চাউরবা শিংজুগী মরূ ৪/৫ পুল্লগা য়োল্লম্বদুমদি মমল হংলুদ্রে। অতাবা মমলদা পীরম্মী। খল্লুই, ঙারি অহাওবদুগা মৈতৈ মোরোক থুম চপ চানা হাপ্তুনা ঙাংশং ঙাংনা নৈরগা করি করিনো ময়াল হাপচিল্লগা শিংজু তৌরদি ফজনা লৌখৎপা য়াররনি। মদুদা কোৎকদবনা হঙ্গাম মতোন, হৱাই মতোনদি লিশিল্লক্লে। য়েল্লাং অনৌবা কোৎলবসু ফনবু হাওবনি। অদুগা অমনা মরোই নাকুপ্পী, য়েনম নাকুপ্পীগসু হায়নবগুম তৌবনি। মদুমদি ওন্থোক্না মরাং কায়না ফংই, হোঙবসু হোঙবনি। ফদিগোমগী ৱারা ঐখোয় মৈতৈগী মনম য়াম্না নুংশিবদু নত্তবা খুকউমুক ৱাংবা হায়ব্রীদকী ফদিগোম মনা, পান্বী অমা য়োল্লক্লি। মদুগী ফদিগোমদু নোংমা পুকলাওবীগা হৱাই থরাক্তা থোংবদা থাক্লম্বনি। য়াম্না মুন্না মলহৌদ্রবা করিনো লিংত্রিক লিংবা চৈতেক মতেক মানবা মচৈ অমা য়াওরম্‌দনা য়ারিদা থিনববু ইমাই অস! ওন্থোক্না নাবা ফাওই। অরূম লাইহৌ হৌগেবু তৌই।

হৌজিক নিংথম থা লোইশিল্লকপা ঈংলম্বদগী শাগৎলকপা মতমসিদা ঐহাক্না খ্বাইদগী পামজবা এঙ্খাং শৌগ্রী থোরক্লে। পিকত্রু পিকপা পান্বী ওইনা পুথোরকপনি। শিল্লু হায়বদি ইয়া য়াদ্রি। মুকাঙা, ঙামেন্মা অকংবা ফনা হাউনবা থাক্লবসু ঙারি অনী অহুম থাক্লবসু নাং-নাং লাউই। এঙ্খাংদা থাকপা নাপাকপী মনা শায়রগা মহাউ লৌবদা তারকই। চম্ফুৎকী ৱা হায়রগনা গাজর কিলোদা লুপা ৬০ ঙাংশং ঙাংনা ফজনা পুথোরকই। ফজনা মরাং কায়রে। মখয়াৎ মুবী হৱাইথরাক, চীংদগী পুরকপা খায়বদা চেরেৎ লাওবা তোর্ব্বোৎ চিনি চমচ অনীগুম্বদং থাক্লগা ফুৎপা চম্ফুৎ তেঙ্কোৎ চাউরপ তৌবা অমা ফজনা চাবা ঙমই। করিগুম্বদা হঙ্গাম পেরে খুবীগা খুদোম্বীগনা চপকে তৌবদা পায়বা য়াদবা মখৈ পেৎলগা মহীগা তিন্নহৌবা হঙ্গাম পেরে ওন্থোক্না হাউজখ্রে সৈত্য! হৌজিক্তি মতমগী এঙ্খাং হায়রগনা অমুক য়েল্লাং কেঙোই ফজনা পুথোরকই। য়েল্লাং কেঙোইনে, হৱাই থরাকনে অদুগা আলু অঙাংবীদু রাউন্দ রাউন্দ শোয়জিল্লগা ঙা অয়াইবা ফজনা থাক্লগা লোইশিল্লকপদনা ফদিগোম মনা ফজনা শোইজিল্লগা থোংবা কাংশোই, পুখমগী নাকলদা য়োংচাক শিংজু, অতোপ্পা নাকল অমদনা অমুক ঙা অকংবা উকাবীরা করিনো ঙারৌ অমা, চম্ফুৎ অমগা চাক্কুপনা উপ্পলগা থম্মমগদি অস! চাক্লুক ফজবা অমা ফজনা লৌখৎপা ঙম্মী।

য়োংচাক শিংজু হায়রগা য়োংচাক্কী ৱা অমুক পন্নীংলকই। য়োংচাক পল্লকপদা তিন চুম্মক্কেদুম তৌই। মণিপুরগীদি মণিপুর মচাগীনি য়োংচাক য়াওজদবা মী পংলৈ লৈরম্মোই। মৈতৈ মচাদি লায়রদনা ময়াং মচা ইম্ফালদা লৈবা বেঙ্গলি, বিহারি, মরৱারি, টামিল করি করা লোইনমক য়োংচাক চাবা হৈনদবা অমত্তা য়াওশিল্লক্ত্রে। য়োংচাক মমল তাংখৎলিবসি ময়াং মচা তেঙ্গোল তেঙ্গোলনা চাবা হৈনরকপদগীরা খল্লক্লবনি। মৈতৈনা য়োংচাক্তা ঙাওজবসিদি করি হায়রুনি ধোন মচৈ মানবা মতুম তাবদু য়োংচাক মপাল কেল্লকপদগী শিংজু চাবা হৌরক্লে। কৈথেলদসু পোৎয়োনবীনা ময়োম ময়োম পুরক্তুনা য়োনবনি। য়োংচাক্কী মহাউগা মনমগা হায়রপ মান্নবা চিগোংলৈ মহৈসু শিংজু অদুমক চানরি। অদুবু ইফক ফকই। য়োংচাক্কী মহাউদি ফংবা ঙমদে। য়োংচাক্কী মতম লাকপদা অহানবা পুথোকপদদি য়োংখোৎনা খেৎপদা তৎপা নৌখ্রবা মহৈদু অমা অনীদা লুপা ১০০দগা লৈবা য়াওখ্রে। কাশ্মীরগী য়োংচাক চারে, শিংজু ফজনা চাবা য়ারেকা হায়নরগদি য়াম্না লেম্নবদৌনা তৌই মণিপুরদা। য়োংচাক চরোংনগা তাঙবসিদি চাম্মগী অমা, চনীগী অহুম, চামঙাগী তরুক তৌই। পাম্মগা লৌ, পামদ্রগা তোকউ কা হায়বা ৱাহৈসি য়োংচাক য়োনবীদগী তাবা ফংখি। হৌজিক অমুক য়োংচাক অসি ফজনা হোঙথরক্লে। চাম্মগী তরা মরূ তোঙ তোঙ লাউবা মোরতোন মীথাইমুক তোঙবদুনিকো। খরা হন্থরকপদনা চাম্মগী ১৫গী মথক্তা তৌরে। মমল হোঙনা ফংলে। ওভরকোট অমুবা লিৎপা য়োংখেৎনা খেৎপা য়াদবমখৈ নীংখায়রকপসু য়াওরক্লে। য়োংচাক্তা ঙাওজবা কাঙবু হৌজিক চাহৌবা মতম চপ চারে।

য়োংচাক চাম্মা চাশিনবসিসু য়ূমলোন কৈরোন্নবগা খৎনবগী ফীভমদা লাকই। মনুং চঙফমগা মওং তানা শাদ্রগদি য়োংচাক য়াম্না চাবীরুনু। মদু কেস লৈগনি। বিহারদা লৈবা আর্মি কেম্প অমদা মৈতৈ মচাশিংনা য়োংচাক চারুবদগী নোংঙাল্লকপগী অয়ূক্তা ময়াং সিফাইশিং লেত্রিন্দগী চেন্থোক্নখি। শা-ঙা অশিবা অপূম্বরা করিনো অমা লেত্রিন মনুংদা লৈরে ৱাকৎনবদগী সিফাই পূন্নমক কম্মান্দেন্টনা ফোল-ইন লেপহনখিবা অমা থেংনখ্রে। ঈশিং কাপশিল্লগা শিৎ নান্না শেংদোকহনখি। য়োংচাক্কী ৱাথোক্তি রিমস অমদি জেনিমস হোস্পিটালদসু অদুম থোকই। এটেন্দেন্ট, সেবারী কাঙবুনা য়োংচাক তপ তাবমখৈ চাশিল্লুবদগী অয়ূক্তা হেক হেক লাউনবসি থোক্কল্লি। য়োংচাক ইরোম্বা, শিংজু চারুরবদি মীথাই উন্বীয়ু। নৎত্রগা চিনি চমচ অমা অনী চাবীয়ু। মনমগী চাং হন্থবনি হায়বসিমদি পাউরৌনি কাউবীগনু হায়না হায়বীরম্বা ৱা থেংনখ্রে। মমল তাঙবী, মহাউ লৈবী, ৱাথোক চাউবী য়োংচাক নঙগী ৱারীদি লীদুনা লোইররোই। মণিপুরদা য়োংচাক পান্বী কং কংদুনা শিখিবা, মহৈ পান্দদুনা তাঙখৎখিবদু মোবাইল ফোনগী টাৱর য়ুংবননি নৎত্রগা তীলনা হুৎপননি পংঙাঙদসু ঙাঙনখিবা তাখি। ইংলিসতনা ষ্টিঙ্ক বিন নৎত্রগা বিট্টর বিন, য়োংচাক নহাক্না ৱাথোক লান্থোকহল্লি। মীয়াম্নসু চেকশিন্না চাবীয়ু হায়জনীংই। ●

ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ১০

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

মশক্তি মীতৈ মচানি হায়বদু তশেং তশেংই। মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি লমদমসিদগী হৌখিবা মপা-মমানা মচাশিংবু মীরমদা লৈরবসু ময়ূমদা লৈবা মতমদদি মমালোল তম্বীদুনা খঙহনবা য়াবসি করি খনবদগীনো খঙহন্নবা হোৎনদবসি। মীতৈলোল (মণিপুরী লোল হায়না খঙনরিবসি) থাক য়াম্না নেম্বা লোল ওইনগা অসিগুম্বা মপা মমাশিংনগা খনবা জাৎলা! মশানা মশাগী অশেংবা মাক (সেল্ফ আইদেন্টিটি) তাকপদা ইকায়বা ফাওরিবা করিগীনো? মীরমদা মশাগী অশেংবা ফুরুপকী মশক তাকপদা ইকায়রিবদুগী মরমদি মখোয় মশাগী অশোনবা অমদি অশোইবদগীনি হায়নীংই। অশোনবা মরমনা মীরমদা তাংজরগা হিংবা/খুদোংচাবা লৌনীংবসিনি। অশোইবনা লমদমসিদা কৌনবা ঈনাৎকী মিং খুদম ওইনা - ইবোহল, ইবোয়াইমা, ইবোতোম্বী/ইবোতোম্বা/ইবোতোন, তোম্বা চাওবা, চাওভল, ইনাওবা, ইনাওবী, মঙ্গি, মনিমতুম, মনিতোম্বা, লুখোইনচিংবা নুপাশিংগী মিং ওইনা কৌদবা। নুপীশিংগীদনা - ইবেমহল, ইবেয়াইমা, ইবেতোম্বী, তোম্বীমচা, লৈমহল, চাওবী, তোম্বী (অনীমক্তা), চীঙ্খৈঙানবী, শকহেনবী, মীকোই, মেমচৌবী, থবাতোন, থারিক, থাইবেম্মা অসিনচিংবা মিং কৌদবা। মসিগী মহুত্তা মীরমগী মমিং ময়াম অমা নুপাদসু নুপীদসু কৌরুবনা মখোয়গা শক-চুদা, লোলদা মান্নদবদগী - ইহে মখোয়সু করম্না ঐখোয়গী (মীতোপকী) মিংসি কৌইনা খনবদগী থাক হন্থনা নুংশিবিবদো, মমিংগী মরমদদি মখোয়গী (মীতোপকী) মরোল ওইবনা খঙবদগী হংবিদবা। হংবা থোক্লবদি ঈনাৎকী মরীল পাল্লক্কদবা থৌওং শোয়দনা নোংমদি ওইরক্কনি হায়না থমজগে। মতাং অসিদা ফিদম্নিংঙাই ওইবগা লোয়ননা ইরমদমসিগী অশেংবা লাইপোক ওইখিবা মপারি অমখক্তি ‘লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো’ নি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লাই ওইবা মহাক্না গভর্ণমেন্টকী থবক কয়া তৌরম্লগা ইচম চম্বা ৱাহং ওইনা ঈনাৎকী মরীল পান্দবা অয়াম্বা মীওই কয়ানা লৌরমগদবা “নশাগী নরোলগী ময়েক লৈজদ্রা” হায়না হংবা মীতোপকী ৱাঙাঙ অমদগী ঙসিদি ইরমদমগী খুন্নাইদা ইরোলগী ইয়েক পুথোক্তুনা মুৎলমগদৌরবা মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইবু মীকপ থোকহন্দুনা মালেমদা মীতৈ/মৈতৈ খুন্নাইবু কল্লকখিবনি হায়দব্রা! “মীরমগী লাইনীং অমদি চৎন-লোনচৎ চৎপনদি ইরমদমগী অশেংবা মশক তাকপা ঙম্বা হৌনদে। মীরমগী মীনাই নাইথাং ওইনবা পোরম য়াৎপা নত্তনা। মপা মমা লৈতবশিংনা মীরমগী মপা মমাদা মখোয়গী লাই ওইখ্রবা মপা মমাশিংগী মহুৎ শিল্লগা ৱাখলনা খঞ্জবদি মখোয় মশাগী অপাম্বনি। অপোকপা অপোকপী মপা মমাবু মীরাইরগা/হুলাল্লগা মীরমগীবুনা থাক ৱাংবা মপা-মমানি খল্লুবগী তেকচাক্তি খক লেম্না মাঙবা হৌনদে। পুন্সি তেন্না মৈতালনা/মালেম লৈমা ইমানা ৱাখৈগদবনি।”

নিংঙোম্বা মনিজাওনা ইবা ‘পোনবী-লাং’ হায়বা লাইরিকসিগীদা য়াওবা ‘লাইনিং পরৈ’ হায়বা মতাংসিগী লা: ৭৫দা অসুম্না ইদুনা য়াওরি - “মাগী লাইনিং লাইশোনবু হুনজেকপশিং মীগী লাইশোন তাংবদি লুখ্রা পাখ্রা ওইনা পোক্তুনা মাবু পোকপগা মমা-মপা কায়নদুনা নৌনা কুমশিং শুদনা নোংমললে। চাবা শেৎপা ফংদে, কশা মীওৎপা ওইরৈয়ে।” মসিদগী ঐখোয়না তশেংনা খঙই মদুদি মালেমগীদা লৈরিবা মীওই ফুরুপশিংনা য়োকখৎলগা ঙাক্না চৎকদবসি - ঈনাৎলা মীনাৎলা! নৎত্রগনা, পোকপা শিবা অনীগী তাইনবদা পানবা তাইবঙপানসিদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইদা করি করম্বা পুন্সি মতেক অমা ওইরম্বা হায়বসিসু য়াম্না ময়েক শেংনা খঙহল্লি।

পায়খৎপা য়াবা খোঙথাং খরদি লমদমদুগী লোল ঙাঙবতা নত্তনা ইবগী লম্‌দা খোঙদাবা খোঙদাবী মশীং য়াম্না লৈরগা মতিক ময়াই লৈবা মখল মখা কয়াগী লাইরিকশিং ইরোল ইয়েক্তা পুথোক্লবদি মালেমগী খুন্নাইদা অহিংবা লোল অমদি ময়েক ওইনা লৈগনি। ময়েক্তুনা ইরিবা লোলদু কনাগুম্বা অতোপ্পা ফুরুপকী মীওইশিংনা খঙলবদি শোয়দনা পানীংগনি। হেন্না ফবা অমদি মতিক ময়াই লৈবা পোথোকশিং ওইরবদি পাবীনবা মীগী মশীং শোয়দনা হেনগৎলক্কনি। অদুদগী লোলদু তপ্না তপ্না ওইরবসু পাম্নবা হেনগৎলক্কনি। অমুকসু মীতোপ্না ইরিবা ময়েক্তু পাক শন্না খঙদ্রবসু, লমদমদুগী ময়েক অমদি লোল খঙবা ত্রান্সলেটর খরনা মখোয় মশাগী লোলদা অমুক হন্দোক্তুনা ফোঙলবদি মখোয়গী খুন্নাইনা লোলদুগী চাওখৎপগী থাক খঙবা ঙম্লক্কনি। অদুদগী লোলদু পামজবা অতোপ্পা মীওই খরনা তপ্না তপ্না ঙাঙনবা হৌরক্কনি। ঐখোয়গী লমদমসিদসু মীতোপকী মরোল খঙলগা খুন্নাইদা অরেম্বনি, চাওখৎপনি হায়না খন্নরিবা অসুম হায়না অতোপ্পা খুন্নাইদসু খন্নফম থোকই। থোক্লমগনি হায়না থমজগে। অদুবু লুরিবদি - ঙাঙহন্নিংলিবা লোলদুদি ঙাঙদনা লোলদু শীজিন্নরগা ইরিবা/অইবা অইবীগী মতিক ময়াই ওইনা লৌখ্রবদি থোয়না লোলদুগীদমক্তদি ঙাঙবা মীগী মশীং হেনগৎলকই হায়না লৌবদি য়ারোই। খুদম, ইরমদমসিদসু মীরোলগী ময়েক অমদি মীরোল খঙবদগী ঐখোয়গী লমদমসিগী লোলদা হান্না বেঙ্গোলি ময়েক্তা ইনরম্বসিগী মহুত্তা ইয়েক্তা ইরগা লমদমসিগী খুন্নাইদা মীরমগী মতিক ময়াই লৈবা লাইরিকশিং হন্দোক্তুনা পাহনবা ঙম্লবসু মীয়াম্না মীরোলদুদি করিসু ঙাঙদে, ঙাঙগে হায়না থোইনা খল্লুবসু লৈরমগদবা মান্দে। মমাঙদসু হায়জখ্রে - মমালোলদগী হেন্দোক্তুনা মীরোলসু খঙবা মীশিংদি - লল্লোল ইতিক্না মরী লৈনবা শিনফম তৌবশিং, লমকোয়বশিং, ইন্টরনেসনল ত্রাভেল এজেন্সীদা/ইন্টরনেসনল ফ্লাইটতা এয়র হোষ্টেজ ওইনা থবক তৌরিবশিংনা অয়াম্বা ওইগল্লি। মসি তুং কোয়না চৎতবসু য়াই। মথৌ তাবা মরমগীদমক্তনি হায়বসু য়াই। অমবু ওইরবসু মালেমগীদা লৈরিবা মরু ওইবা লোল খঙবা ঙম্লবদি ফৈ হায়বা য়াই। করি করম্বা লোলনো হায়বদুদি মী মশাদুগী অপাম্বনি হায়বা তাই।

ইরোল ইয়েক য়োকখৎকে/চাওখৎহনগে হায়রবদি লৈঙাক্কী অমদি অখঙ অহৈশিংগী ওইবা থৌশিল থৌরাং কয়া লৈনরমগনি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি শোয়দনা তৌগে খন্না থবক তৌবদুনি। চীনগা খূৎকা মান্নবা অমদি চঙই। ●

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

খন্থফম থোক্ত্রিবরা?

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ঐখোয়না লায়রৈ হায়দুনা নুংঙাইতবা তৌরিবসি মরু ওইবদি ঐখোয়গী ইরক্তা শু-নোম্বা ৱাৎপা মীওই মশীংনা হেন্না লৈবননি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। ঐখোয়গী হরাও কুম্মৈদা হেনজিনবা, চাবা থকপা কাম্বদা লৈফম তূম্ফম চেকশিন্দবা মতৌ, ৱানীং-শুনীংদবা, খুদক্কী নুংঙাইবনা হেন্না পামশিনবা, খূৎশু খূৎলায় শীজিন্নবা ৱাৎপা, অরেম্বদা মতম মাঙহনবা, মথৌ মশক খঙদবা অসিনচিংবা কয়া অসিনা লায়রবা ওইবগী অচৌবা মরম ঙাক্তনি। মতুং তারকপদা শেল তুংশিনবা হৈতবা, চাগা চাদিং খঙদবা, মওং চাদনা ইশাগী অশোয়বা কয়া কুপশিন্নবা হোৎনবা, শেল নিংথিনা শীজিন্নগে হায়বদি ইশাগী শেল তানবা ঙম্বগী শক্তি লৈবা, হৌজিক্কী-হোরেনগী অমসুং তুংগী তঙাইফদবা অমদি ইশাগী ৱাখল-লৌশিং য়াম্না মরু ওইবা ঙাক্তনি। ঙসি-হয়েংগী য়েংহৌদনা নীঙক নীংঙকপদা শেল শীজিন্নথোক্তুনা মাঙহনবা, লানববু ওইরবসু চুম্ববু ওইরবসু শেলগী হিসাব লৈতবা অসি ঐখোয় পূন্নমক্না খন্থফম থোক্তিবরা?

ঐখোয় লায়রবা ফুরুপকী কাঙলূপনি। অদুগীসু মথক্তা মীপাল তাংদুনা হিংলিবনি। করিগীদমক ঐখোয় লায়ররিবনো হায়না পূক্নিং লৌশিং পুথোক্তুনা মহৌশাগী পীথোরকপা পোথোকশিং, শুবা নোম্বগী শক্তি অমসুং গ্যান অহুম অসিগী হৈনবী লৈবা মথৌ তাই। ময়াম্না তোয়না হায়নবা ৱাফম অমনা ঐখোয়সি শেল শীজিন্নবা হৈতে হায়বসিনি। ইরমদম অসিদা মহৌশাদগী ফংজরিবা পোৎশিং অমসুং মহৈ মরোংশিং মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবা, ইশাগী থবকশিং ইশানা শু-নোমদুনা মীপাল তাংদনবা হোৎনবা, হৈথোই শিংথোইনবা মহৈ মশীন নিংথিনা হৈনবা হোৎনবা অদুগা অতনবগী লায়না অমসুং ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা হৈনবী থাদোক্তুনা শু-নোম্বদা মায় ওনশিনল্লসি। শেল শীজিন্নরমদাইদা লৈমিন্নরিবা, চামিন্নরিবা ইমুং-মনুংগী থৌদাং লৈবা মীওইশিং খঙহন্দনা লোন্না হেক্তা ইথন্তনা লেপথোক্লোইদবনি। মসিনা ইমুং-মনুং মহি লাংহল্লি, শেল লাকফমসু খক ওইগন্দে , শেল চৎফমসু চনৈনরকই। খ্বাইদগী লুরিবদি ইশানা ইশাবু লাকশিনবা ঙম্বা, চনীং তানা খন্থরগা তৌরবদি অফবা পূম্বা পুরক্নবগী অচুম্বা লম্বীনি। ঐখোয় লায়রবা কাঙলূপ অমা ওইরিবসিগী মরমদি লময়ানবা থৌনা লৈবশিং ৱাৎপা, শেল নিংথিজনা শীজিন্নদবা, চাদিং কা হেন্না তৌবা, তুংশিনবগী হৈনবী লৈতবা, মতমগী মমল খঙদবা, থবক শু-নোমদবা অসিনসু অচৌবা শরুক অমা ওইরি। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না পূন্নমক অসিবু কোকহন্নবা খন্থফম থোক্তিবরা?

অদোমগী - অথোকপম তোম্বা
ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।